ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯏꯔꯥꯏ, ꯖꯨꯟ ꯲꯴, ꯲꯰꯲꯲, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯶ ꯁꯨꯕ ꯆꯍꯤ, ꯸꯹ꯁꯨꯕ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
ইরাই, জুন ২৪, ২০২২, ইম্ফাল
৪৬শুবা চহী, ৮৯শুবা মশীং

## চৈবা চুম্বা, চুমদব্রা

### চুমদবদি তৌরোইদবনি, অচুম্বদং তৌগদবনি

ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট পোক্লকখিবগী চহী ২৫ শুরকপা, মপূং ফারকপগী লুপা ফুদোংবগী থৌরমদু জুন ২০, ২০২২দা পোরোম্পাৎতা লৈবা দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসনগী মকোক-কোক্লেনগী লোয়শঙদা পাঙথোকখিবনি। চীং লেন্নবা থৌরমদুদা চীফ মিনিষ্টরনা থৌরমগী ৱা ঙাঙবদা য়াওখিবদু লন্নাই টেলিভিজন চেনেল অমা হাংদোক্তুনা চলাইরে, পাউচে অমা ফোঙলে হায়দুনা পংচৈদা চৈবদি তৌবা চুমদে। থৌওংদুনা তাবা ঙম্বগী পাঙ্গল লোইথোকখ্রবদি তূমিন্না লৈথোরক্লোই। তৌফম থোকপা থবকশিং তৌরক্কনি হায়বা ৱাফমশিং য়াওখিবা ওইবা মাল্লে। চীফ মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখ্রিবা ৱাফমদু অচুম্বনি। লৈবাকসিদা চৎনরিবা কন্সটিট্যুসননা লৈবাকসিগী মীয়ামদা ঙাঙবা, শকপা অমসুং অনীংবা অপাম্বা ফোঙদোকপগী অয়াবা পীরবসু মদুগী মফোঙদোক্কী অমসুং ফোঙদোকপা-ঙাঙথোকপা য়াবগী পনখৈ অমদি লৈ। মসিগীদমক মপাঙ্গল কল্লবা লোগী সেক্সন কয়ানা পিরাই ঙাক্লি, পাদমসু লাকখি। ঙমখৈসিদগী হেন্দোক-পাথোরক্তুনা লন্নাই মীওই অমগী নৎত্রগা লৈমিন্নরক্লিবা ফুরুপ কাঙলূপ মশেলদা খোইদৌ শিকপা য়াওরক্তুনা খুন্নাইগী মচৎকী ৱাংমদা থোকহন্নীংদবা থৌদোকশিং থোকহল্লক্লগদি মানা মানা তৌবগী ফংফম মশা মশানা ফংজবা, ফংহনবা মশানা তাবনি। অদুবু ঙাচিন ১০০দি মেনশিনবা ঙম্মী, মীগী মচিন অমদি মেনবা ঙমদে হায়বগী ৱাফম লৈরবসু মীয়ামগী নাকোংশিংদা শরা-শলহনবা য়াবা ফম্বাক অমদা লেপ্লি হায়দুনা মীওই অমবু নৎত্রগা খরবু ফম্বাক্তুগী খুদোংচাবা লৌরগা অকনবা ৱাহৈ খোন্দাদা পিদ্রিৎ থোক্লা হেক্তুমক ঙাঙ-শকপদি চুল্লোই। মসিদি মলোম লৈনরক্লগা অচেংবা তাঞ্জা লুপ্লগা খুদোংচাবা ফংলগা লম্মন খুন্নকপনি হায়দুনা লৌগনি, তৌরক্লিবা কৈদাদুনা লৌফমসু থোকই।

হোয়, মনেম ফত্তবীনা নুংশিদবা মমৌদা য়েংলগে হায়না য়েংলক্লগদি লিৎফম লৈতে। তপ্না ঈংনা, থোৎ-নৌনা ঙাঙ-শক্তুনা থবক তৌরক্লগনা মোনমল্লি, লুহোং খোঙথাংদগী হেন্দে, মী ওইরোই হায়রক্কনি। খরা থুনা হোবে-হোবে মশাগী থৌগাই ঙম্না পাংনবা তৌরক্লগনা শব্দ কল্লি, হিংচাবীগী শাজৎনি হায়বিরক্কনি। কাল্লে ফূনি, কান্দ্রে ফূনি হায়বগী ফীভমদা তারক্কনি। অদুবু মসি হায় হায়দুনা অউনপোৎ য়ান্নকপী মমৌনা শরেং থোংবদা থুম থাক্কদবদা চিনি থাকচিল্লুরবসু হাওখ্রেদা, থুমখ্রেদা হায়দুনা চাই হায়বদুগুম্না লৈরো হায়বদুদি নত্তে। মীয়ামগী খোল্লাউদি লাইগী খোল্লাউনি হায়বা অমসু লৈরি। অফবনা ফৈ, ফত্তবনা ফত্তে হায়রকপা মশানা তাবনি। তৌবতবু ৱাঙাঙ হৈত্রগা মপা চৈবা শকই হায়বদুগী ফীভমদি তাহনগনু হায়বগী ৱানি। মীনা শিবনা চিনদা অদুগা শানা শিবনা খোঙ্গুলদা হায়বা চুমখ্রবা ৱাফম লৈবনা অশোয়বা অরানবশিং তৌরুদ্রবসু লাল্লিবা-শোয়রিবদুদং হায়রগা চুমথোক্লবা, মতুং থোকহল্লক্তনবা হায়বা, ঙাঙবা য়াই হায়বগী ৱানি। লন্নাই নুংঙাইনদবনা ঙাক্লৌ পীরগা শঙ্কৎতুনা হায়রুদ্রগসু খঙহন্নীংলিবা অদুখক ফোঙদোকপা য়াই হায়বনি। অদুবু মসি হায় হায়দুনা পৱার পায়বশিংনা তৌনীং-তৌনীংবশিং তুং-মাঙ য়েংদনা পংতৌদা তৌরকপসু চুল্লোই। মদ্বাইদদি পেন্দ্রবা মীয়ামগী খৌনাওদগী থোরকপা খোঞ্জেলদুদি কন্থি থোক্লা য়াক্লক্কনি। খোন্থি খোনচোপশিং য়াওরক্কনি। চৈবা হায়বদুদা তারক্কনি। মসিগীসু মথক্তা হৌজিক্তি প্রিন্ট অমসুং ইলেক্ট্রোনিক মীদিয়াদগী হেন্না মপাঙ্গল কনখৎলক্লিবা 'সোসল মীদিয়া' হায়বা অমসু খোঙলৈ থুনা মপাঙ্গল কনখৎলক্লিবনি। মীপূম খুদিংমক্কী খূৎতা মীদিয়া মখল অসিগী পান্বে লৈনরক্লবনি। মরমশিং অসিনা লৈঙাক্লোইশিংনসু অচুম্বা-অশেংবশিং মখা তানা তৌখিগদবনি। চৈশু তেকহন্দনা লিনসু শিহনগদবনি। মীয়াম্নসু অচুম্বা অশেংবশিংদু য়োকখৎনবা হোৎনগদবনি। চৈবা তাহন্দনা অশোয়বা-অরানবশিং পুথোরক্তুনা চুমথোক্লবগী খুদোংচাবা পীগদবনি। লিক্লম অনীসি হেক কায়রকপদদি তাহৈদবা ময়াম তারকই, মসিদি চুমদে।

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৪৪

১) **"স্বর্গদা অৱাবা অমসুং নুংঙাইবা"** হায়বা লাইরিকসি কনানা ইবনো অমদি করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

২) **"পলেমগী খোমলাং অমৃত থক্লিঙৈদগী অহানবা শিন্দম ওইদুনা নৱাগী কোলোই অহানবনা পলেমগী মিংফম কৌনরক্লবা ঐখোয়গী ঈরোল-- নুংশিরবা, পাম্মুরবা ইমারোল, মৈতৈলোল অসিসু অয়াম্বদি লৈরাং ইঙেনলৈগী পান্দম ওইরি।"** ৱাহৈ পরেং অসি কনানা ইরম্বা লাইরিক্তা য়াওবা করি ৱারেংদগীনো?

৩) **"চন্দন পান্বী কয়া কয়ানা,/চীং-মাল-নারক শীংলক্তা,/মাং'গুম অরেম্বা উকং ওইদুনা,/পূক্লিং লৈকোলগী অথুপ্পদা,/থারিবা চন্দন পান্বীদু চেকশিন্না,/ কংখ্রনিদো অরেম্বদা।"** শৈরেং মতেক অসি কবি কনানা ইরম্বা করম্বা শৈরেংদগীনো অমদি করি লাইরিক্তা য়াওবনো?

৪) **"কাওশীং"** হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো, করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

৫) **"মোহন দাস"** হায়বা মণিপুরী লাইরিক অসি ওরিজিনেল কনানা ইবা করি লাইরিক্তগী কনানা মণিপুরীদা হন্দোকপনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম জুন ৩০, শগোলশেন নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

## মালেমগী ওইনা মীশিং হন্থহন্নবা থৌরাং অফবনি

মতম মতমগী ৱাফম

**সেঞ্জম দেবেন**




পাক-চাউবা নোংমতা হেঙ্গৎলক্তবা মালেমসিদা খুন্দা লৈতাদুনা হিংনরিবা তাইবঙ মীওইবনা, মীওইবগী মীশিং নোংম-নোংমগী লেপ্তুনা হেঙ্গৎহল্লকপা হায়বসি অচুম্বা অমসুং অফবা খোঙথাং অমদি খক ওইরোই। ৱাফমসি মালেম পূম্বা থুংনা ৱর্ল্ড হেল্থ ওর্গনাইজেসননা কয়ারক হন্না পাউজেনখ্রবসু, মালেমগী অয়াম্বা মফমগী মীওইশিংনা থৌদৌসিগী মরমদা কূপ্না খন্থরগা অচুম্বা ফিরেপ লৌরকপগী খোঙথাংশিংদি ঙসি ফাওবদা হকচিন্না খক লৌরকত্রি। মালেমগী ওইবা অপূনবা মীশিং হন্থহন্নবগী ফেমিলি প্লান্নিং পাঙথোকপগী তঙাইফদবশিং কুমজা ১৯৯৪দা কাইরোদা ফমখিবা ৱর্ল্ড হেল্থ ওর্গনাইজেসনগী মীফম্না য়াম্না হকচিন্না লৌবগা লোয়ননা মালেমগী মীপূম খুদিংদা পাউজেল কয়া শন্দোকখি। থৌদৌসি মালেমগী ওইবা অপূনবা মীশিং হন্থহল্লক্ক বগীদমক তঙাইফদনা ৱর্ল্ড হেল্থ ওর্গনাইজেসননা লৌখিবা ফিরেপ অমনি। ফিরেপসি মালেমগী মীপূম খুদিংমক্তা মপূং ফানা শৌগৎতুনা নিংথিরবা মালেমসিদা মীওইবা খুন্নাইনা মনিং তম্না, কোম্না অমসুং হাইনা-হুম্না হিংজবা ঙম্নবগীদমক লৌখৎলকখিবা খোঙথাংশিংনি। লাতিন অমেরিকা অমদি এসিয়ান কন্ত্রি কয়ামুক্লা হীরমসিদা অচৌবা থৌদাংশিং লৌদুনা মলেমগী ওইবা অসিগুম্বা থৌরাংশিংসি মমুৎ তানা শন্দোকপা হৌখি। ৱাফমশিংসি করিনো হায়বদু লমদমসিগী মীয়াম ঐখোয় পূন্নমক্লসু মমুৎ তানা অমুক্তং খঙদোক্লবা হোৎনমিন্নবা মথৌ তাই।

মালেমগী ওইনা মীশিং হন্থহনবা হায়বসি তঙাইফদনা তৌদবা য়াদ্রবা মালেমসিগী মীওইবা খুন্নাই ঐখোয়গী অমত্তা ঙাইরবা ইথৌদাংনি। নোংমতসু চাউথোক্লকপা লৈত্রবা মালেমসিদা মীওইবা খুন্নাইনা নোংম-নোংমগী লেপ্তুনা মীশিং হেঙ্গৎহনবগী থৌদৌসি মরা তানা চখুনবা হোৎনবা চুল্লোই। মীওইবা ঐখোয়না মীওইবা ঐখোয়গী লৈফম-চাফম অমসুং শুফম-নোম্ফমশিংবু নোংম-নোংমগী পীকশিনহল্লক্লবা হোৎনরিবসি করিগীনো? ঙসি-ঙসিমকসু মালেমগী মনুংদা মীওই ক্রোর কয়ামুক্লা শুফম-নোম্ফম লৈতবগী অমদি লৈফম-চাফম ফংনদবগী অকনবা অৱা-চৈথেংশিং মায়োক্লরি। ঙসিদগী শুপ্নগী চহী ৫০ খক্কী মনুংদা মীওইবগী হেঙ্গৎলকপা মীশিংনা মালেমসিদা করি ওইহল্লকপা য়াই হায়বা হীরমসিদা মালেমগী অখঙ অহৈশিংগী অমদি ৱর্ল্ড হেল্থ ওর্গনাইজেসনগী মীওইশিং কয়ামুক্লা কূপ্না খন্ন-নৈনরি। ঙসি-ঙসিমক চথুরিবা মালেম পূম্বগী মীশিং হেঙ্গৎলকপগী চাংসিদা করিগুম্বা পান্বে অমা নৎত্রগা থৌশিল অমত্তনা অহোংবা লৈহনহৌদ্রবদি মথংগী লাক্কদৌরিবা চহী চা-তঙ্খায় হায়বদি কুমজা ২০৫০দদি চাওরাক্লা মালেমগী মীশিং হেঙ্গৎপগী চাং হৌজিক ওইরিবসিগী দবল (শরুক অনী) শোয়দনা য়ৌরকফম থোকই হায়না পানরি। ফীভমসিগী অকিবা লৈবনা মালেমগী লৈবাক কয়ামুক্লা চাউরাক্লা ৱর্ল্ড হেল্থ ওর্গনাইজেসনগী কাইরো মীফম (১৯৯৪) গী মতুংদগী ফেমিলি প্লান্নিং অমদি মখল-মখলগী কন্ত্রাসেপ্তিক প্লানশিংদা হেন্না পূক্লিং চিংশিন্নবগী খুদমশিং উবা ফংনরক্লি। তশেংনমক্কীদি লাটিন অমেরিকা অমদি এসিয়ান কন্ত্রি খরদদি কুমজা ১৯৬০গী অদুৱাইদগী হৌনা মালেমগী মীশিং হন্থহন্নবা লৌখৎলকপা থৌরাংশিংগী মনুং চন্না ফেমিলি প্লান্নিংনচিংবা আইটেম কয়ামরুম মায় পাক্লা চখুবা হৌরকখ্রবনি। থৌদৌশিংসি খঙদুনা মীওইবা খুন্নাইনা মীওইবা খুন্নাইবু কঞ্জনবা অমত্তা ঙাইরবা থৌরাংশিং ওইরিবা ইথৌদাং অমমম ওইনা ফেমিলি প্লান্নিং অমদি কন্ত্রাসেপ্তিক মেথোদশিংসি মরু ওইনা পাঙথোক্লবা হোৎনবা মথৌ তারকই। থৌদৌশিংসিগীদমক ৱর্ল্ড বেঙ্ক অমদি অতোপ-অতোপ্পা লন্নাই দোন্নর কয়ামুক্লসু চাউর-চাউরবা শেনফমশিং কয়ামরুম লন্নাই ওইনা হীরমসিদা থাদনরি। অদুম ওইনমক অপূনবগী ওইনা য়েংবা মিৎয়েংদদি মালেম পূম্বগী ওইনা মীশিং হেঙ্গৎলকপগী থৌদৌসি লেপ্পা লৈতনা চখুরকপগুম উরি।

মালেমগী ওইনা মীশিং হেঙ্গৎলকপা থিংনবা হোৎনবা হায়বসি পান্দমসিদা অমুক পাকথোক-চাউথোক্লা মালেমগী ওইবা মওংদা খন্নরুদ্রবা ফাওবদসু ঐখোয় ইশা-ইশাগী ইরমদম খক্তগী অমদি ইশাদা থেংনরিবশিংসি খক্তগী খন্নবদসু মীশিং য়ামখৎলকপনা থোকহল্লকপা ৱাথোকশিংগী মশীং থিবদা লোইবা খক নাইদে। শমজিন্না হায়রবদা, মীশিং য়ামখৎলকপনা মরম ওইরগা নোংম-নোংমগী ইশা-ইশাগী চাকথুংশিং পীকশিনহল্লকপা অমসুং মাঙশিনহল্লকপা নত্তনা শুপ্নগী হীরম অমত্তদসু পাকথোক-চাউথোক্লকপা অমসুং কোমথোকহল্লকপগী ৱাফমশিং উরক্তে। মায়কৈ অমরোমদা, নত্ত-নত্তবা, থোকহন্নীংদবা, তানীং-উনীংদবা থৌদোক-ৱাথোকশিং কয়ামরুমগী মশীংনা পীক থল্লকই। নোংম-নোংমগী অসিগুম্বা থৌদৌশিং মীৎকুপ কাংদনা থোকচিল্লকই। মীশিং য়ামখৎলকপনা লৈনবা লম লৈহল্লক্তে, শুফম-নোম্ফম থিবদা ৱানরকই, কোন্নরক্তবগী থৌদৌশিং ঙাক্তা ওইহল্লকই। পূন্না হিংমিন্ননবা হোৎনমিন্নবদা ঈয়াইদা তাউরিবা শুপ্নগী হীনাও অমখক্তা মীশিং হেন্না অমসুং মীয়াম পূন্না তোংশিল্লুবগী অকিবা থৌদৌশিংদু ওইনা থোক্লকই। মীশিং হেঙ্গৎলকপগী অকিবা থৌদৌশিংগী ৱারী লীদুনা খক লোইবা নাইরোই। ৱাথোকশিংসি শুপ্নগী মালেমগী অকক্লবা মফম অমখক্তদা থোকপা থৌদোক-ৱাথোকশিংগী ৱারী নত্তে। মালেমগী মফম খুদিংমক্তা মশীং খঙদনা থোক্লরিবনি। তেনশিল্লবদা, মথক্তা হঞ্জিন-হঞ্জিনসু পঞ্জখ্রে, মালেম লৈকোয়পুঙ কৈদৌঙৈদসু খক চাউথোক্লক্তে, মীয়ামগী মীশিংনা নোংম-নোংমগী য়াম্বা সুম হেঙ্গৎলকই। ৱাফমসি শুপ্নগী অচম্বা এরিথমেটিক্সকী খাইদোকপা অমসুং তিনশিনবগী সিম্পল ফোর্মুলাদু খক্তনি। মালেম ফম্পাকথক্তা কাইদোংলিবা তাইবঙ মীয়ামগী অরূম্বনা নোংম-নোংমগী হেঙ্গৎলক্লবদা, মীয়ামগী অরূম্বা পুঙল্লকত্রবা মালেমনা নুংশিৎতা কয়াম কুইনা পাইগনি। করম্না মতম শাংনদগী কায়দনা চৎলক্লবা মশাগী ওর্বিটকী খোঙচৎতা অহোংবা অমত্তা লৈহন্দনা চৎকনি। মালেমগী ওইনা মীওইবগী মীশিং হেঙ্গৎলকপনা হীরম অমত্তদসু কান্নবা খক ফংগৎলক্কনি হায়বগী থাজবা খক পোক্তে।

মালেমসিদা পূন্না হিংমিন্নরিবা মীয়ামগী ৱাখল্লোন্দসু অপীক-অপীকপা ৱাখল্লোনশিং কয়ামরুম চেন্নরকই। অপীক-অপীকপা ফুরুপ মখলশিংগী মশীং থিঙমদনা লৈবনা মালেমসিদা লৈরিবা মীওইবা কাঙলূপকী মনুংদা অপূনবা মীশিংগী মরক্তা অমগা-অমগা ৱাখল্লোনশিং মান্নরক্তবা কয়ামরুম য়াওনরকই। শম্না হায়রবদা, মাঙজিন থানা চাওখৎহৌরবা মালেমগী অচৌবা ফুরুপশিং খরনা মালেমগী মীশিং অমুক হন্না হেঙ্গৎহনবা পামদ্রি। অদুগা, অপীকপা ফুরুপ খরনা মতম শাংনদগী হৌনা মালেমসিদা করম্বা মতমদা অমুক্তং মখোয়গী ফুরুপনা মালেমগী অচৌবা ফুরুপশিংগী মনুং চল্লকপা হায়বদু ওইরক্কদগে হায়দুনা ঙাইদুনা লৈ। ফীভমশিংসিদা ৱর্ল্ড হেল্থ ওর্গনাইজেসননা মালেমগী ওইনা গ্রোথ রেট হন্থহন্নবগীদমক ফেমিলি প্লান্নিং, পীলস শীজিন্নবগী মওং অমসুং কন্ত্রাসেপ্তিক মিন্স কয়ামুক খঙহন-উহন্দুনসু অকক্লবা মালেমগী ফুরুপ খরনদি পূম্নমক্তু অরেম্বদা তাহল্লি। ফীভমসিমক্লা ৱর্ল্ড হেল্থ ওর্গনাইজেসননা মালেমগী মীশিং হন্থহন্নবগীদমক মীয়ামদা চেনবা পাউজেলশিং ফুরুপ খরনা মনাকোং-মনাকোংশিংদা ফাওবা হাপ্পা ঙম্নদ্রি। মালেমগী ওইনা ইহান হানবা ওইনা ফেমিলি প্লান্নিংগী থৌরাং কুমজা ১৯৩৬তা হৌদোকখি। ইন্দিয়াগী ওইনা কুমজা ১৯৪০দগী হৌনা হৌদোক্লকখিবগী ৱারী লৈ। অদুম ওইনমক, মালেমগী ইহান হানবা ওইনদি, ন্যুজিলেন্দগী নুপী অমখক্লা শুপ্নগী কুমজা ১৯৬১ খক্তদা কন্ত্রাসেপ্তিক পীল ইহান হান্না শীজিন্নদুনা ফেমিলি প্লান্নিংগী থৌদৌ মালেমগী ওইনা হৌদোকখিবনি। মতুং তারকপদা মশীং লিক্লা ফেমিলি প্লান্নীংগী থৌশিলশিং চংশিন্নবা হৌরকখি। তঙাইফদনা হৌজিক্তি মালেম পূম্বগী ওইনা ফেমিলি প্লান্নিংগী থৌদৌশিং পাকথোক-চাউথোকহন্দুনা মালেমগী ওইনা মীশিং হন্থহন্নবগী থৌরাং মায় পাকহন্নবা হোৎনবগী তঙাইফদবশিং লৈ।

চাওখৎলে হায়রিবা মালেমসিদা মীশিং য়ামখৎলকপা লেপত্রবদি, চাওখৎপগী মহাওশিং শুনা ফংবা খক ওইথোক্লোই। মালেমগী মফম অমত্তদসু মীশিং হন্থহন্দ্রিবা মখৈ ৱাথোক মশীং খক হন্থরোই। ৱাথোক মশীং হন্থরকত্রিবা মখৈ ঈং-তপ্পগী ৱাখল্লোনশিং খক ফাওরকখিরোই। ঈং-তপ্পগী ৱাখল্লোন য়াওদনা মালেমগী করম্বা থৌরাংশিংনা নিংথিনা মায় পাকপা অমসুং মহৈ চাবা থৌরাংশিং হায়বদু ওইরক্কদৌরিগে? ঐখোয় হিংবগী মহাউ ফংমিন্নবা ঙম্নবা অমসুং হিংমিন্নবগী নুংঙাইবশিং ফাওমিন্নবা ফংনবা, মালেমগী ওইনা মীশিং হন্থহন্নবগী থৌরাংসি চেকশিন্না অমসুং মপূং ফানবা হোৎনমিন্নসি। অদুগা, মতম চূপ্পগী ওইনা মালেমসি মীওইবা খুন্নাই ঐখোয়গীদমক, ঈং-তপ্লবা অমসুং হিংবদা মরাং কায়না কোন্নরগদবা মফম অমা হায়বদু ওইহল্লসি। ●

## এদিটরদা থারকপা ৱাকৎ, মীয়ামগী খোল্লাউ, পাউদম অমসুং অতৈ-অতৈ

### লাইবু থাজবগা মীনুংশি লৈবগা

*ইকায়খুম্নজরিবা এদিটর,*

চাকহোঙনবা, ঙাহোঙনবা মসিগী পরমদা খুল-খুলদা লৈরিবা উমং লাই হরাওবা মশীং লাকঙমদনা পাঙথোক্লি। লফোই চঙ থোকপা লফাং অমদা লুপা চনিগী মথক্তা পীরবসু ইবুংঙো ইবেম্মা অনীগী চহী অমগী মনুংদা হরাও-মথোই নুমিৎ খরনি পাঙথোকপবু... মসিগী ৱাখলসিদা লৈবা অমসুং লৈতবা ওইরবসু ঙম্ন-ঙম্নবা হোৎনরকপা থাগৎপগী লোইবা নাইররোই। অসুক য়াম্না লাই হরাওবা পাম্বসি লাইবু থাজবগী ওইরকপনি হায়না লৌবদা অকায়বা হায়বদুমদি ওইদ্রবনি। কোভিদকী লায়না লাইচৎ লৈরিঙৈগী মনুংদদি লাই হারওবদি লাইরদুনা অশি অনাগী থৌদোক ৱাথোক ফাওবা চেক মুক লাওদনা তৌনরম্বনি। অদুবু লাইচৎসিনা হন্থবা য়ানা হন্থরকপসিদা হান্নগী অদুগুম্না অদুমক লাকপা মসিবু লাইচৎ অদুমক লাক্লরোই হায়না থাজনবদগী তৌরিবা জাৎলা? নৎত্রগা তৌদবা য়াদনা নহনফমদা হল্লো, নতেফমদা তেরো হায়বগী থৌওংদুদা ওইরিবা জাৎলা? লাইচৎসিনা খরা ফরকপসিদা উমং লাই অয়াম্বা হরাওদবা য়াওরক্ত্রবনি। মাঙলমচৎতগী থাজদুনা লাক্লিবা উমং লাইবু ঙসিসু অদুমক থাজনদুনা লৈবা লৈতবা খল্লুদনা হরাও মথোই কানবা চিথু-নাম্থবা য়াওরমগদবা মান্দ্রবনি। চৎন-কাঙলোন অমগী মখাদা পরম চুম্না হরাওরকপা মতুং তানা অশোয় অঙাম য়াওদনা হরাওবা ওইসনু।

মুন্না খল্লুরবদি হৌজিক্কী উমং লাই হরাওরিবসি অয়াম্বনা ইনখৎলকপা নহারোলশিংনা অয়াম্বা ওইরবনি। লৈকায় অহল মশীং হন্থনা ওইরবনি। লাই হরাওবগী নুমিৎ ৫,৬,৭,৮ অদু ফাওবদি লাইবুংদা য়ারেক্তুনা ময়ূমদা চঙদবা মখৈ লৈজবা মশীং কয়ানি। ময়াই কাবা চিঞ্জাক পামজবা মহাক্কীদমক অপাৎপদা হয়িং থাজিনবা অদুমক থোক্লবনি। লাই হরাওবা লোইখ্রবা মতুংদা মখোয়না তৌগদবা খল্লুবদা নুঙাইজদবা অমবু ফাওরকই। নুমিৎ তাদ্রিবা মখৈ হরাওদবা, থেঙলক্লবা মতমদদা লাই হরাওবগী শক্তম ওইরকপা মসিবু মাঙলমচৎকী হরাওবদা তৌনরম্বা জাৎলা? থাজবগী ৱাংমদা লৈরবনি। তৌদবা য়াদবা লাই হরাওবগী পরমদা লাইবৌ চোঙবা লোইখ্রবা মতুংদা লাইগী থোঙ লোনবা মসিসু অদুমক মতৌরিবনি। থোঙ লোনখ্রবা অদু ফাওবা ইবুংঙো ইবেম্মা লাইবুংদা জগোয়গী খূৎথেক কৎনবগীদমক মশীং কয়া অমা থোরকপা... লাইগী কম্মিটিনা মীওই খরতমক লৌখৎতুনা... মসি ফাওবা নুমিদাং পুং ফনা নিংথিজনা তাখ্রবা ফাওবদা অদুমক ... মসিনা করম্বা চৎন-কাঙলোননো, ৱাখল তাদ্রবনি। লাইগী থোঙ লোনখ্রবদি মুন্না খল্লুরবদি নুমিৎতুগী লাইগী থৌরম লোইরে হায়বা তাকপনি। করিগীদমক থৱায় য়াওনা নোংঙানগদবা ফাওবদা ধুম ধামগী মখোল তাদুনা... মসিবু থাঙ্গৈমক শেংনা মথংগী চহীদসু অদুমক মখা চথুদুনা লৈরগদি-ঐখোয়সে মমাঙ চৎখৎপদি লায়রদুনা মনিংদা হন্থরক্কদবা মাল্লবনি। পোকপদগীনা শিবা ফাওবসিদা থৌদোক-ৱাথোক্তা কোয়োম য়োমদুনা লৈরবা ঐখোয়সে খরদি হেল্লবনি। লাই হরাওবনেবু হায়রবদি থোইদোক হেক্তে দাক্লা হরাওজবা মীওই মশীং থিরুবদা হেন্দোক্লবনি। পাখঙ মচা, লৈশাবী মচা, মৌনহা ওস্থোক্লা মশীং য়াল্লবনি। চাহোঙনবা, খুঞ্জাওনবা, ঙাহোঙনবা অসুক কন্না হরাওনরিবা, করম্বা মতমদা করম্বা খুলদা চাহোঙই, ঙাহোংই হায়বগী পাউ তাখিবা লৈরব্রা? হিংদবা য়াদবদগী হিংনবা হোৎনবদা অৱাবা হায়বদুমা খম থেংলবা মতমসিদা করম্বনা খরা খিৎ ফরিদা করম হায়গনি। হায়ফম লৈতে। পৈশা খরা য়ামদবা পোৎলম খরা হায়বা তারবদি করিনি হায়দৌরি? খুঞ্জাওনবনা লৈচাওনবা উমং লাই হরাওবা পামজববু মমৈদা ঐখোয়সে...। লাইগী থৌরমদমক তৌরগা হায়বদি কুমথক্তমক চল্লগা লোইশিনবা য়াবদা ইনখৎলকপা নহারোলশিংগী অপাম্বগী মতুংইন্না... পূন্নমক খুলদা, লৈকায়দা অহল লৈরক্ত্রে হায়বদুমা ওইরক্লবনি। মতমসিগী য়াওলগী মতুংইন্না অহল লমনশিংনা ঙাঙবা শকপা তৌরুরনু হায়বনি। নহাশিংনা তৌরিবা থবক থৌরমদুদা ইন্দুনা চৎলো হায়বনি। মদুতদা নহাশিংগা অহলশিংগা তিন্নবা য়াবা হায়বদু ওইদৌরিবনি।

করিগুম্বা মতমদা ইনখৎলকপা নহা অমনা মাবু পোকপা মপাদগী চহী ফজনা হল্লগদবা মীওইদুদা মখোঙনা শোক্লুবদা লাইবক কৎপগী চৎনবী ঙসি ঙরাংগী নত্তবনি। অদুবু হৌজিক্তি অহলদুনা হান্না...। মসি তূমিন-তূমিন চৎনখৎলক্লবনি। মসিসু মতমগী মথেল অমা ওইনা চৎনখৎলক্তে হায়বা য়াবা নত্তে। অহল অমা ওইরবসু, অর্থ পুংলৈ লৈরক্কদবা মাল্লক্ত্রবনি। লাইরিক লাইশু ঔরাইগদবগী শরুক্তা লাই হরাওবগী জগোয় তম্বনা হেন্না থৱায় য়াওনরকপগুম তৌনরকপা, ঈরাং কৈথেলদা য়ক লাউনা লৈনরকপা মশীং লাকঙমদনা লৈরক্লবনি। অরৈ লৈত খঙদবা মখৈ মতুং ইন্দুনা চৎকনি হায়বগী থাজবা অমা লৈনরবা মতমসিদা কনানা খরা ফৈদা হায়গদবসিবু কনাদনো/ হায়ফম খঙদনা অদুমক লৈরগদবনি। য়াম্না ঙকইবা অমনা হজিরা শুবা মীওইসু ইবুংঙো ইবেম্মা অনী হরাওবদা হরাওরিঙৈগী মনুংদা শেলগী মতেং কৎপা য়ামদ্রবদা লুপা ৫০০, ১০০০, ২০০০ কৎনবা লাই কম্মিতিনা খুদক্তা মাইক্তা লাউথোকপা ফজবগী ফজবা হায়বদুনি। অদুম্নদি ওইরবদা লাইগীদমক্তদি মানা মানা ঙমজবা অদু খক্তমক কৎপদা লাই ইবুংঙো, লাই ইবেম্মা অনীনা করিসু হায়গদবা নত্তে। মুন্না খল্লুরবদি লাই হরাওবগী নাম্মাদা মাইক্তা মমিং লাউথোকপদু পামজবদগী... মসিসু য়াওরিবা পোৎনি। থম্মোয়বু শেংদনা কৎলবা কৎলিবা অদুগী মহয় ফংগদবা নত্তে। মসিনা মসি ওইখ্রবসু অতোপ্পা অমনা লাই হরাওবগী লাইগী লম থোকপদা মনাক নকপদা লম থোকপা য়াবদুসু কিলোমিটর ২/৩ চৎলগা লম থোকপা লম্বী সরক্তা চৎথোক চৎশিন্দা অপনবা পীবা মসিসু অদুমক চৎনরবনি। লম থোকপগী মীয়াম হৌদুনা চৎলিঙৈগী মতমদুদা করিগুম্বা মৈহৌ লাংপোক অমদগী লম্বীদুদা ফায়র সর্ভিসকী গাড়ী লাক্লবা করিনো তৌগদৌরিবা? লম্বী থাবা তাবনি। লাইনি হায়দুনা মসিগী মতাংসিমা নোংমদি শুংশোয় শোয়দনা লাক্কদৌরিবনি। হৌজিক্কী মতমসি শাবনিনা মৈহৌ লাংপোক্কী থবক তম্বা ঙম্বা নত্তে। মী তিন্দবা মচি অমদা কনানসু করি হায়ররোইদবা মফম অমদা.. মসিদগী হেনবা অতৈ অমা লৈত্রবনি। মী তিনবা মফমদা হোৎচিন্দুনা... মীয়াম কায় কায়দুনা চেনবা মসিবু য়াদবা হায়বদু ওইবদগীরা? লাইনা ঙাওরিব্রা নৎত্রগা মীনা ঙাওরিব্রা অনীসিগী মনুংদা অমদি লৈরবনি।

***অদোমগী- হেমজিৎ ইরোম্বা, খুরাই লাইৱাংবা মমাঙ, ইম্ফাল***

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।